# লাই নীংবা অমদি খুরুম্বা...

'লাই খুরুম্বা' - প্রেয়র নৎত্রগা প্রার্থনা হায়বসি করিনো? লাই নীংবগী নৎত্রগা নুংতিগী লাই খুরুম্লিবা মীশক অমদা হংবীয়ু। মান্নদবা পাউখুমশিংদুই মরক্তা মান্নবা অমা য়াওরক্কনি। মদুদি - মঙোন্দই থৌজাল নিরিবনি ... করিগুম্বা খরা মঙোন্দগী নীরিবনি...। ঐদি খল্লি - মদু লাই নীংবা মী অমনা তৌফম থোকপদু নত্তে।

ৱারেংসিগী পান্দম - পাবীরিবশিংগী মফমদা প্রার্থনা/প্রেয়র/দুৱা করিনো-তাকচনবা হোৎনবা নত্তে। ঙসি মঙা-তরানিসি নাকোংসিদা তাবা নুংঙাইতবা তানীংদবা পাউ অমা নাকোংসিদা ঙরং-ঙরং ঙংলবগুম, সোসল মীদিয়া হায়নবা পাউগী মেদিয়ম অদুদা/ মোবাইল ফোনগী খূত্থাংদা লম্মৈগুম্না শন্দোরকই... খৃষ্টিয়ান লাইনীং থাজবা নুপা অমনা করি করিনো মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈশিংনা থায়নদগী থাজনা চত্থরকপা নাৎকী প্রাক্টিস অমখকপু থওই-উশিত্তনা/করেম্নন, অতোপ্পা ফুরুপ অমগী মীয়াম তিনবা (লাইগী ৱাপাউ শন্দোকপা) থৌরম অমদা ৱা ঙাঙলুই হায়বা থৌদোক অমদগী উংখৎনবগী শেংদোক-শেংজিন তৌনরিবঁগে চৈরক্তা অতোপ্পা ভিদিও ফুটেজ অমমুক, মকোয়-মরাং খাকপা অহল অমদা 'হৌদোংনি' হায়রুই হায়ৱা করিনো অমসু ভাইরেল ওইহল্লক্তুনা -লাই থাজবা, লাইনীংবশিংগী মরক্তা নুংশিনদবগী শীংচেপ থাবা, মরূ হুনবগী থৌওং অমা চত্থরকপা উবসিদা পোত্থাফম খঙদবা ৱাখলসিগী পোত্থাফম থিরুবনি। শোয়দুনবু ওইরবসু, উশিত্তদুনবু ওইরবসু হায়দোকখিবা ৱা অদু তারবনিনা ন্যুজপেপরগী মেদিয়মদা, কোল্লমসিগী খূত্থাংদা পীজরিবা পাউজেলসিসু তাহন্নীংবশিংগী নাকোংদা য়ৌখিগদ্রা খন দুনা ইজরিবনি। লাই খুরুম্বা/প্রেয়র নৎত্রগা প্রার্থনা হায়বসি লাই/ঈশ্বর/তাইবঙ মপুবু তশেংনা মশক খঙবা কনাগুম্বা অমনা কৈদৌঙৈদা তৌরোইদবা/তৌফম থোক্তবা থবক অমনি।

ৱাফম অসি অদোম্না মথোঙ হুক্তবা অমগী ৱাঙাঙনি-খনবীখিবা য়াই। ৱারী অমত্তা লীজগে। নোংমা, অহিং অমা অচৌবা হিজাউ অমা পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্তা খোঙচৎ অমা চৎলুবদগী হল্লক্লম্মী। পূম্নমক্কী আশানি-হয়েং অয়ূক অঙনবদদি হি'দু তোর্ব্বান য়ৌরনি, ময়ূম-ময়ূমদা পোত্থার'নি। অদুবু, ওন্থোকপনি। নোংয়াই চবুক লোল্লকপা, ঈপাক্তুদা শীৎলকপা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা হি-দু মথক মখা ওল্লবগুম মায়কৈ সলাই খঙখিদ্রে। হিমায় চুম্লম্বা হিরোয়শিংগী হোৎনজমল অরেম্বা তারক্লে। অকনবা ঈথক-ঈপোমদুদই হাজিল্লকপা ঈশিংনা হি'দু লূপহনখিদুনা থৱায় মাঙলগদ্রা? অকিবনা থূমহৎখ্রে, হি'দুদা তোংলিবা পীক্লবা থৱায় মচাশিং। লাউবা-খোংবা, মীকপ মীরাওখোল মরক অদুদা 'হে ঈশ্বর'... 'হায় অল্লাহ'... 'ওহ গোদ'... ঐখোয়গী থৱায় কনবীয়ু... করিগুম্বা নহাক্না ঐগী থৱায় কনবীরবা, নহাক্কীদমক ঐহাক্না অচৌবা মন্দির অমা শাগনি... উকংনা শাবা মুর্ত্তিদুগী মহুত্তা সনানা শাবা মুর্ত্তি ওইনা শাগনি... লৈজবা শেল-থুম-সনা-লুপা পূম্নমক চর্চগী ফন্দ'দা কৎকনি ... অদু তৌগনি অদা তৌগনি... নুংতিগী লাইশঙ চৎকনি/নঙগী থৌগল তৌগনি... পুন্সি চূপ্পা চোকথবা নাইদ' নঙগী সেবাদা কত্থোক্লনি... অসিনচিংবা ৱাশক কয়ানি - মানা মানা নীংজবা লাইদুগী মমাঙদা শকখিবা! অকিবনা লাকহৎলবা মায়থোঙদুগা লোয়ননা অল্লাহ/জিসস/কৃষ্ণ/রাম শোন দবা মিংখৈ লৈখিদ্রে। অদুবু, ময়ামদুগী মরক্তা 'লাই-নীংব'ই ফিজোল থোল্লিবা, ওইজ-ওইথক-অকে-অমৌ থাদোক্লবা মানবা কনাগুম্বা অমখক য়াওরিবদুদি লাইনীং-লাইশোন তৌরিবা, মথ্বায় ৱাজরবশিংনা তৌরিবদু কুম্মৈগুম য়েংদুনা লৈরম্মী, প্রার্থনা তৌবা য়াওরমদে। মতৌদুদা খোয়শাওনরবা ময়ামদুনা হায়রকই... 'করিনো নঙনা তৌরিবসে? লাইগী অশেংবা পুজারিদি নহাকনি নহাক্তি মহাক্না মতম চূপ্পা লৈমিন্নরিবনি লেঙদনা... ঐখোয়না হায়বা তাবীদ্রবসু মহাক্না, নহাক্না হায়রবদি তাবীগনি শোয়দনা... নহাকসে কয়াদা তৌবীমল খঙদবা, মীনুংশি হৈতবা মীশকনো?...। অদুবু, লাইনীংবা/ফকির অদুদি ময়াম্না হায়রি-ঙাঙলিবদু মঙোন্দা করিসু চঙদবগুম থওই-ৱাওই তাখিদে। ঙাইহাক্কী মতুং, নোংলৈ-নুংশিৎ নেমখ্রবা, ঙাঙ্ৱানবা নুমিৎকী মশেক্লা নোংপোক মায়কৈ ঙাল্লকপদু য়েংলুরগা, অহিং চূপ্পা মমীৎ উইশিন্দুনা মাগী মাগী ঈশ্বরদুদা খুরুমজদুনা 'মথ্বায়' দুবু নীজখিবা ময়ামদুদা হায়রকই... 'য়েংঙু, তূ-নঙনা নীংজবা ঈশ্বরদুনা নঙনা হায়বা তাবীরে, নমীৎ অদু পাঙথোক্লো... মাঙদা লৈরে ঈপাকসিগী তোর্ব্বান, মীকূপ খরগী মতুংদা নয়ূম থোঙ্গাল য়ৌরগনি'...।

মথ্বায় অদু মাঙলগনি পাখৎপনা, নীংশা-শ্বর হোল্লি হায়বা কাউবমখৈ লেঙ-ওৎপা তৌদনা প্রার্থনা/প্রেয়র'দা পূক্নিং লুপ্পুরবা ময়ামদু মথুম মরাং হৌ, মাগী মাগী মপোৎ মচৈ পায়রগা নংহৌররোই মতাগুম, অমনা অমগী মথক্তা নেৎশিন্নদে হায়বতমক খাক, হিথাংফম তম্না চঙশিল্লক্লিবা হিজাওদুগী হিবান্দা চেনশিন্নখি। হিজাও অদু অকনবা ঈথক ঈরৈ নোংলৈ নুংশিৎ কয়াদু মায়োক্নরগা তোর্ব্বান তান্না পুরক্লিবা মাগী তাইবঙ মপুদুগী মনাই অশেংবা হিরোয়শিংদুবু নীংশিংদুনা থাগৎ-ৱাহৈ অমত্তসু হায়রমগনি নীংশিংখিদে। মথ্বায় মাঙগনি হায়বগী অকিবদু মাঙখ্র'তুং, মহাক ঈশ্বরগী মফমদা প্রার্থনা তৌরম্মী হায়বদুফাও কাউথোকখি। ময়ূম লমদম য়ৌরগা মহাক্কী অতোপ্পা খুদোংথীবা মীকুপ অমা মায়োক্নরকপা মীকুপ্তুদা অমুক নীংশিংলক্কনি - মহাক প্রেয়র তৌগনি।

নম্বোলগী পাবুং ভগিরথ'না মাগী 'দশাবতার' লাইরিক্কী মমায়দা কৎচবগী লমায়দাই...'নঙগী নপোৎপু নঙোন্দা অমুক কৎপদা/চাউথোকচনীংঙাই করি লৈ ঐহাক্কী/অদুবু নঙোন্দা নত্তনা কৎলুগনি কনাদা/কৎচরি নঙগী দশাবতার, লৌবীয়ু'...। খনখি ঐনা মতমদুদা - পাবুংগীসি অশেংবা প্রার্থনা হায়বদুনি। প্রার্থনা/প্রেয়র/খুরুম্বদা লোয়নগদবা মীওইবগী তশেং তশেংবা মতৌদুদি 'নিবা' নত্তে 'কত্থোকপ'নি। ঐহাকপু পরিক্ষাদা মায় পাকহনবীয়ু, অনা অয়েক য়াওহনবীনু, অৱা অনা ফংহনবীনু, ইরল-ইথুম ৱাৎহনবীনু, ইনাক খুনবা ওইহনবীয়ু, নুংঙাই য়াইফ পীনবীয়ু... মীওইবনা ঈশ্বরদা নিজরিবা অয়াম্বা থৌজালনি। লাইবু লল্লোনপোৎ ওইনা শীজিন্নবা, অৱাংবা থাক্কী মীওইবনি খঞ্জবশিংনা খুরুম্মী...' অরান খুভম ফংহনবীয়ু, মপোক মপোক খুদিংদা ননাই ওইনা পোকচগে... খুয়া থম্বাল ফংহনবীয়ু... স্বর্গলোক'তা তিনহনবীয়ু'... অসিনচিংবা। করিগুম্বা খরা নিবা নত্তবা, মহাক্কী মফমদা করিগুম্বা খরা পীগে খন্না খুরুমজবা মীওইবা ঙসি ফাওবা তাইবঙসিদা পোকখিদ্রি। মীওইবনা মন্দির/মসজিদ /চর্চতা চৎলিবা - করিগুম্বা খরা নিবনি, কৎপা নত্তে। নুংশিবা অমদি নুংশিনবা- 'সিদই হেনবা মীওইবগী 'ধর্ম্ম' কদায়দবু লৈবগে? নুংশিবদি ওইজ-ওইথক থিবা নত্তে, লৈজবা পূম্বা কৎপদুনি নুংশিবা মাগী মফমদা। মীওইববু নুংশিবা, ঈশ্বর মাবু নুংশিবনি। কনাগুম্বা ফুরুপ অমগী নাৎ, চৎনবী, হৈনবী, থাজবা - ধর্ম্ম নত্তে। ঐগী ধর্ম্ম, ঐগী থাজবা, ঐগী হৈনবী- 'সিনা পুমহেন হেনবনি... ঐনা চৎলিবা লম্বীসিতনা লাইরৈবাক য়ৌবা লম্বীনি ... পাউজেল্লিবা মহাক্তু মপু মশক খঙদবা, খ্বাইদই তোনবা মীনাইনি। অতোনবা, অপঙবা, অনেম্বা থাক্কী মীওইশিংগী থাক্তুদা কুমথগুমসি। ওইজবা থিবা, কল্লকপা, খম্বনবা, নাপন, চাউথোকপা... পূম্নমকসি মাগী মফমদা লৈতবনি। মাগী মফমদা পীথোকসি। হরাও হরাও লৌখিনি। পীরক্কনি নুংশিবা।

*—ইন্দ্রকুমার*

# য়েন্দ্রেম্বম রনধিরকুমারগী 'মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং' - (১)

য়েন্দ্রেম্বম রনধিরকুমারগী মিং ঐনা তাখিবা কুইরে। ঐনা পাখঙ ওইরিবঁদা ঙসিদগী চহী ৩০ মুক্কী মমাঙদা রেদিওগী থৌরম্বু তোয়না পামজনা তারিবঁগে মতমদা য়েন্দ্রেম্বম রনধিরকুমারগী মিংসু মনি মালাগী চিঠি পাউখুমগী থৌরমদা তোয়না তাজবা ফংখি। মতম অদুদা শক্কা-শক্কা উনবা ফংখিদ্রবসু মহাক ইববু পামজবা মীশক অমনি হায়বসিদি খঙখি। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী থৌরমশিংদা মহাক্কী মমিং তাখি। হৌজিক ফাওবদা ঐনা খঙজবদা প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এসোসিএসন, ইম্ফালগী থবক থৌরমশিংদা চোকথবা নাইদনা থৌপাংলিবা খোরিরোলগী থৌমী অইবা অমনি হায়বসিদি চুস্লে। রনধিরকুমারগী "খলহৈবা খরা খলহৈদবা খরা' হায়বা শৈরেংগী লাইরিক অমা কুমজা ২০০৩দা ফোঙখ্রে। অদুগা কুমজা ২০১১দা "মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং" হায়বা ৱারীমচা ২৪গী অপূনবা লাইরিক অমগা ফোঙখ্রে। অইবা হায়বসি মনা মথুম ফংলবঙাক্তনা অথোইবা অইবা নত্তে। মনা মথুম্বু থোইদোক্লা লুনা লৌরুদবা চঙ থোকপা অইবা কয়া অমসু লৈরি। মখোয়শিংদুগী মনুংদা রনধিরকুমারসু অমনি হায়বসি মহাক্কী ৱারী মচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিক অসি পারুরগা খল্লকই। লাইরিক অসি অশৈ ৱাফোঙ য়োকখৎ লূপ, ইতম নুঙ্গোই, ইম্ফাল ইষ্টকীদমক য়েন্দ্রেম্বম ওংবী লেম্বীনা ফোঙবনি। ঙসি ৱারেং অসিবু ইজরিবা ঐহাকসু অইবা অইবীশিংগী মরমদা অমদি খোরিরোলগী মরমদা থোইদোক্লা অহেনবা ৱাখল লৌশিং লৈবা মীশক অমদি নৎচদে। অদুবু পারুবা মতমদা মীওইবগী ৱাখলদা অমদি থম্মোয়দা অফবা মায়কৈদা ৱাখল খরা খলহনবা ঙল্লবদি লাইরিক অদু অফবা লাইরিকনি হায়নীংই। মরম অদুনা ঙসি লৌখৎচরিবা লাইরিক "মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং" অসি ঐগী ইফমদা থেংনা থেংনজরুরবসু লাইরিক অসি পাজরুবদা লাইরিক অসিগী মরমদা করিগুম্বা খরদি ইনীংবা ফাওরকখি। লাইরিক্কী মীংথোল ওইরিবা মমিং অসিমক্তি লাইরিক অসিদা য়াওদে। মীওইবা ঐখোয়না মপাম্থোংগী শক্তমখক উই। মদুগী মরুমদা লোৎলিবা মমিশিংদি কনানসু থোইদোক্লা খন্নবা তৌরুদে। থৌদোক কয়াগী ৱারী অমসুং ঐখোয়না মপাম্থোঙদা উনরিবা মায়থোঙশিংদুগী মরুমদা লোৎলিবা খেন্নবা মমিশিং অদুবু উৎনীংবদগী লাইরিক্কী মমিং অসি থোনখিবনি হায়না খল্লি।

পাক্লবা-লুরবা লাইজগী ঈপাক অমদি লাপ্না উরিবা চীংশাং পরেংগী ফজবা উরুরগা ফজৈ হায়বতনি খন্নরিবা। নকশিন্না চঙশিল্লুবা মতমদা মদুগী মরুমদা লোৎলিবা অকিবগী মশক ওইরবা কয়া অমদি মমল য়াল্লবা অরং-অরাকশিং অদুবুদি থোইদোক্লা নীংশিংনরুদে। অসুম্না মীয়াম্না হন্না য়েংবীদ্রবা হুন্দোকখাক ওইরবা চম্না উরিবা মীওইবগী পুন্সিগী নুংদা চঙশিন্দুনা লৈরিবমখৈ চিংথোক্লনবা হোৎনবনা রনধিরকুমারগী খূৎইগী মচৎ ওইনা উই। মহাক্কী খূৎইদা য়ারিবমখৈ ইচম চম্বা লোন্দাদা অশেংবা পুন্সিগী মচৎশিং অদু নাখৈ শেংনা পুথোক্লনবা হোৎনবনা মপূং ওইরি।

"হিদেন অমগী ৱারী" য়াম্না মনুং হুৎনা য়েংবা মীৎয়েং অমদা থোনবা অহানবা ৱারী মচাগী মমিংনি। মমান্নবগী মমা লৈখিদবগী লান্ন-থৌরম অমা চৎলুবদা, ঙাতংবসু য়াওথোরক্তুনা পুং ৭/৮ মুক তাবদা, খরা থেঙলপ্না হল্লকপদা গাড়ীগী থাও য়াওরক্তদুনা থাওসু য়োনবা পোৎফম মচা অমদা থাও হানবা চঙলুবদা পোৎফম মনাক্তা মোত্তাই-চুদাইননা লেপ্পিবা অঙাং অমগী শক্তমদুগী মরুমদা লৈরিবা মশকশিং অদু উৎননবা হোৎনবনি। নাকল অমরোমদা নুংঙাই য়াইফবা ইমুং কয়া লৈনরবসু কনানসু থৌওইবিদ্রবা হিদেন অমগী ৱারী ওইনা লীরি। এভ্রি চাইল্ড ইজ স্পেসল হায়বগুমদুনা মমা মপামক্লা হন্না য়েংবীদ্রবা মফম মরাং খঙদনা তা তাদুনা লৈরিবা চেথী চেকুমগুম্না খনবীরবা অঙাংশিং অসি ফজনা তাশিন খোমজিনবীরবদি মখোয়গী মরক্তসু মালেমসিবু অফবা মায়কৈদা পুরকপা ঙম্বা লুচিংবা কয়াসু য়াওরকপা য়াই হায়বদু অইবনা উৎনীংবগুম তৌরি।

"ঙাস্থোরক্লিবা অমম্বা" হায়বা ৱারীমচা অসিসু য়াম্না নীংথিজৈ। মপুরোইবা লৈনা লৈনা মনীং মখা তম্বা পামজবী বসন্তিগা মপুরোইবা লৈখিদ্রবসু মপুরোইবনা পান্নমদবা লমচৎ শাজৎ চৎতনবা চেকশিন্না হোৎনজরিবী অইঙবীগা মখোয় অনী মতম কুইনা উনখিদ্রবা তুংদা লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমদা থবক পুল্লকই। বসন্তিদি মপুরোইবা লৈরবসু নুপাগুম্না মনীং মখা তম্বা খরা পান্নম্মী। অইঙবীদি মপুরোইবা লৈখিদ্রবসু মপুরোইবনা পান্নমদবা লমচৎ শাজৎ অমত্তা চৎতনবা হোৎনরম্মী। কোন্নথংদা বসন্তিনা হিংনা হিংনা শিরবগুম্বা মহাক্কী মপুরোইবগা, শিখ্রবসু হিংলিবগুম্বা অইঙবীগী মপুরোইবগা অনীগী খেন্নবা মশক্তু উরকই। ৱারীমচা অসিদা মায়কৈ কয়া থোক্লা ৱাহন্থোক পীবা য়াই। খুন্নাই অমদা ফুরুপ অমগী ইনাৎ চৎনবী ইরোল ইয়েক মমি শাল্লক্লে হায়দুনসু মদুবু খক থাদোক্কনু। ইনাক খুল্লবা ইনাৎ ইরল কয়া লৈরবসু মদুবু থাদোক্তুনা লমকেৎ লমহাইবা হায়বসি ফুরুপ অদু অশিবগা পাংখক ওইহনবনি হায়বসি ৱারীমচা অসিনা য়াম্না ময়েক শেংনা ফোঙদোকপগুম উই। ঙান্না ঙান্না মমদুনা লৈরম্লবা বসন্তিগী পুন্সিনা অশেংবা মঙাল অদুবু ফংলকপদনি অইবনা ৱারীমচা অসিগী মমিং "ঙাস্থোরক্লিবা অমম্বা" হায়না থোল্লিবা!

মতম অমদা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা খূৎলায় পায়বা সিফাইশিংনা মীফা-মীপূন অমদি ফাখ্রগা মফম খঙদনা মাঙহনখিবগী হাত্তোকপীখিবগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোক্লম্মী। মদুদা লৈকায় লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা খুতি পোষ্ট খিংদুনা মীয়াম কৌথোক্লগা ফারিবা মীশক অদুবু নমদুনা মুন্দুনা কলহৌননবা হোৎনবা তোয়না থেংনখিবা ঙাক্তনি। মদুদা থোরক্তবশিংবু মৈরা পায়রম্বদগী লৈকায়গী মচিন চৎপী ওইরক্লবী কয়ানা থোরক্তবা ইমুংশিংবু ৱায়েন কাতি মখূৎতা পায়দুনা চৈরাক পীনখিবা য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা মতম অসিদা লৈকায় চৈরাকনি কিবদগী অরুবা অনাবা অমগা লোয়ননা শিবা চঙবা অনীগী লংদাইদা লাম্থেংনরিবা মপুরোইববু হুন্দোক্লম্লগা মীয়ামগী ঈহৌ অদুদা শরুক য়াবা থোক্লুরগা হঞ্জিল্লকপদা মপুরোইবগী পুন্সি লোইরম্বগী নুংহিক্লুরবা নীংঙমদবা ৱারী অমনি "কাংশি মখোল"। ৱারীমচা অসিনা হিংমিন্নরিবা ঐখোয় মশেল অমনা অমবু শেৎতুনা চানরিবসিগী মায়োক্তা কম্থি থোক্লা খোঞ্জেল হৌনা লাউরি। অসুম্না কনানসু খঙবী উবীদ্রবা থৌদোক ৱাথোকশিংবু খুন্নাই অসিগী মচি মচিদগী খুনগৎলগা লৈবাক মীয়াম খঙনা চাইথোক শন্দোক্তুনা ঐখোয় পূন্না য়েংমিন্নবা অদুনি অইবা রনধির কুমারনা পাল্লিবসি।

লাইরিক অসিগী মনুংদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি 'নোংমা'। পুকচেল শেংদবা হায়বসিনা ঐখোয় মশেল পূন্না মাঙমিন্নৈ হায়বদু "নোংমা" হায়রিবা ৱারীমচা অসিনা তাক্লি।

*—মোইরাংথেম নেত্রজিৎ মীতৈ*

# মানসিংলা

থায়না মমাঙঙৈদা জিংটাই কৌবা খুলদা য়াম্না লায়রবা মতৈ মনাও অনীখক লৈরম্মী। চহী খুদিংগী লশিং থাদুনা ফি শাবা খুলনি। লায়রবা মতৈ মনাওনা থাবা লশিং পাম্বীশিং অদু ফত্তদুনা লশিং য়াম্না লোক্লমদে, মমান্নবা অতৈগীদি য়াম্না লোক্লে। লশিং য়াম্না লোক্তবদগী ইমুং অসি লায়রৈ নোংমদা চরা নামত্তা চাদুনা হিংই। নোংমদি লায়রবা নুপা অদুনা লৌবুক্তা লশিং পাম্বী য়েংবা লাক্লগা লশিং হৌরিবা লৌফম অদুগী মতাইদা চাউরবা পুখ্রি অমা লৈরম্মী। পুখ্রি অদুগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা পুখ্রি মনুংদা লৈবা ঈশিং লাইদু কৌরগা "হে লাই ইবুংঙো ঐগী লশিং পাম্বীশিং অসি চহী খুদিংগী ফহনবীদুনা লশিং য়াম্না লোকহনবীয়ু। ঐগী মীরোলবী নুপী অসিসু ইচানুপী ওইনা পোকহনবীয়ু। অদু ওইরবদি ইচানুপী অসি নঙোন্দা থাজগে"। অসুম্না লাইদা হায়জদুনা থাবা লশিং পাম্বীদু হৌখিবা চহীদগী হেন্না লশিং য়াম্না লোকমনখিবনা ময়ূমদা হোনবা ঙমদ্রে। অদুগা মকুম থা শুরবী মাগী নুপী অদুসু মতমদুদা মশক ফজরবী মচানুপী অমা পোক্লে। লাইদা থাজগনি হায়দুনা ৱাশল্লগা পোকপা মচানুপী অদুগী মমিং মানসিংলা থোল্লে। মানসিংলা নোংমা নোংমগী চাওরক্তুনা মশক ফজবা হেনগৎলক্লে, ফিশা লোনশাসু য়াম্না হৈরে। মানা শাবা ময়েক থোকপা ফজবা ফিদু উবদা মীনা ঙক্লে, ময়াম্না শাবগা মান্নদে, অদুনা মাবু মমাগী পুক্লুংদা লৈরিঙৈদা লাইনা তম্বীদুনা হৈবনি হায়না খুলগী মীয়াম্না ঙাঙনৈ।

মানসিংলা লৈশাবী মপূং ফারক্লবদা হায়নখিবা মতুংইন্না লাইদা থাজগনি খল্লুবদা মমা মপা অনীদি মথৱায় ৱাখিবনা চাবা থকপা চঙখিদে। মানসিংলাগী মশক মতৌ ফজবা, ফিশা লোনশাদা হৈশিংবা পাউ অসি মখুল লান্না শন্দোকখিদুনা সিংতাফুং য়ৌখ্রে। মতম অসিদা সিংতাফুং নিংথৌগী মচানুপা ভাহৈ কৌবা পাখং অসিসু মতিক মথৌনা লৈবদা নত্তনা মশক মতৌ চঙখোনবদা খুলদুদা শীংথানরিবনি। মানসিংলাগী মশক মতৌ ফজবগী পাউসে তাবদা ভাহৈনা জিংটাই খুলদা চৎলগা য়েংগে খল্লক্লে। নোংমা অয়ূক অঙনবদা ভাহৈনা করাওফিগা হাওফিগা লোন্নদুনা শেৎলে, তা অমা পায়রে, য়ু তুম্বা অমসু পুরগা জাংটাই খুল পাংলক্লে। নুমিৎ অসি জাংটাই খুলগী মীয়ামদি মাগী মাগী লৌফমদা কুমখিদুনা খুলদুদা অঙাং নত্তনা অহল অমা ফাওবা লৈরমদে, মানসিংলাদি ময়ূম শংবীনবা লৈতবদগী লৌ কুম্বা চৎতে, মাঙ্গোন্দা ফি শাদুনা লৈরম্মী। ভাহৈনা হংল-হংলদুনা লাক্লগা মানসিংলাগী কোম্থোংদা মানা পুরকপা তাদু য়ুংলগা চঙলকপদা মশক ফজবী মানসিংলাবু উবদা লাইরেম্বী ওইরিগদ্রা মী ওইরিগদ্রা মপূক্লিংদা চিংনদুনা পাক হেক চঙশিনবা ঙমদনা শুমাংদা লেপ্পুনা য়েংদুনা লৈ। মানসিংলাসু ভাহৈ উবদা মিৎচান্নবা য়েংলম্লগা ইমুংদা চঙখিদুনা ফাল অমা পুথোরক্লগা থারে। উনবা নুমিৎ অসিমক্তদা পাখং লৈশাবী অনীদু নুংশিনরে, ইকায়বদগী ৱাদি হৌদোক্লবা ঙম্নদে। অসুম্না ঙহাক লৈরগা ভাহৈনা ইকায়বদগী মরৈ লোমলি লোমলি তৌদুনা হায়গে খনবা ৱাদি হায়দনা "ইবেম্মা! নখোয়গী খুল অসিদি য়াম্না ফজখ্রেদা, ঐদি ঙসি লাক্লবসিনা অহানবনি"। ভাহৈগী ৱাদু তাবদা মানসিংলাদু মোমোন নোক্তুনা মিৎচিনা হাইফেৎ য়েংলম্লগা ইকায় ইকায়না "হো ইবুং, নহাক্তি কনাদা থুংই" খুমদোরক্লে। পাখং লৈশাবী অনীদু ইকায়বদগী হায়গদবা ৱাদি হায়বা ঙম্নদ্রবসু মপূক্লিংগী ৱাদি খঙনরে। ভাহৈনা, "ইবেম্মা! খুল্লোন্নবা খুল খুদিংদা নহাক্কী ফজবা নশক, ফি শাবদা হৈ-শিংবা পাউ তাদবা লৈতে! অদুনা নহাকপু য়েংগে নহাক্না ৱারী শাগে খন্দুনা লাক্লিবনি। হায়য়ু মানসিংলা নহাক্না চান্নবা মরুপ লৈরবদি ঐ হৌজিকমক হনখ্রগে" হায়রক্লে। ভাহৈগী ৱাদু তাবদা মানসিংলানা মোমোন নোক্তুনা মাঙ্গোন্দা কাখৎতুনা ফান্দা ফম্বীরো হায়রম্লগা ইমুংদা চঙখি। ভাহৈ মাঙ্গোন্দা থারিবা ফান্দুদা ফম্লে, মমিৎতি মানসিংলাদা য়েংবা তোকখিদে। মানসিংলানা লুকথরক্লগা "ঐবু থাজবিদবা তৌবীগনু। নুপী ওইবনা মপাল থোক্ত্রবসু নহাক্কী নতিক নথৌনা ঐনা লোইনা তাজে। মতম অমদা নহাক শোয়দনা কোয়রক্কনি খনজদুনা ঙাইজরিবনি" হায়রকপা মানসিংলাগী ৱাদু তাবদা ভাহৈ মথৱায় নুংঙাইরদুনা চঙশল্লগা মানসিংলাগী মখূৎ পায়দুনা চিংশিল্লগা মখোয় অনী ফালদা ফম্মিন্নরে। "মানসিংলা! নঙগী ৱা তাবদা ঐগী থম্মোয় পেল্লে। অদুবু নমা নপানা য়াদ্রবদি করম তৌনি" হায়রক্লে। ভাহৈগী ৱাদু তারগা মানসিংলা মরু লুক্তুনা ৱাখল তৌবা হৌরক্লে। ঙাহাক ৱাখল তৌরগা মদুগীদমক্তা করিমত্তা চিংনবীগনু। হোরেল চাক চারমদাইদা ইতোমতা চানীংদে ঐখোয় অনী চামিন্নসি হায়রকউ। ঐনা ইকায়দুনা য়াদ্রবদা ইমানা চামিন্নৌ হায়রকপদা ঐগী ইখূৎ পায়দুনা চিংশিল্লগা নমদুনা চাহল্লু। অদুগা তূম্লমদাইদা ইতোমতা তূমনীংদে ঐখোয় অনী তূমিন্নসি হায়রকউ। ঐনা ইকায়দুনা য়াদ্রবসু ইমানা করিগুম্বা তূমিন্নৌ হায়রক্লবদি ইখূৎ পায়দুনা চিংশিল্লু। অসুম্না মখোয় অনী ৱা তান্নরে, অরৈবা উহৈ পুথোক্তুনা চামিন্নরে, ভাহৈনা পুরকপা য়ুদু থকমিন্নরে। নুমিৎ তাশিল্লক্লবদা লৌ কুমখিবা মমা মপানা হল্লকপা মতম ওইরক্লবদা ভাহৈদা ঙাহাক্তং মপান্দা কোয়থোকপীরুখো মপা লাক্লগা কোন্না অমুক চঙলকউ হায়দুনা চৎহনখ্রে।

ঙাহাক লৈরগা মানসিংলাগী মমা মপানা লৌ কারক্তুনা ময়ূমদা চঙলকপদা কোম্থোংদা তা অচৌবা অমা য়ুংলল্লিবদু উবদা মপূক্লিংদা থুক লাউই, লাক্লিবা খুল্লানবা নুপা অসি অচম্বা মী নত্তে খঙই। ইমুংদা চঙলক্তুনা মচানুপী কৌথোক্লগা ঐখোয়দা খুল্লানবা কনা লাকই হংবদা মানসিংলানা ঐদি মশক খঙদে সিতাফুংগী মীনি খুমজৈ। ইপাগী য়ূমদা লাকপা মীবু করিগী থাদোকখ্রিবনো, খুল্লানবা মীবু চরা হেলহনবা হৌনৱা, কয়া লাপ্না চৎখ্রবগে কৌরুচো হায়রে। মপাগী ৱাদু তাবদা মানসিংলা মথৱায় নুংঙাইরে থুনা য়াঙনা চৎখিদুনা ভাহৈ পুরগা ময়ূমদা হল্লক্লে। ভাহৈবু উবদা মীচম নত্তে মশক নাইবা মীনি খঙলদুনা অসিগুম্বা মশক মতৌ ফজবা মতিক মথৌনা লৈবা পাখং অমত্তং ইমাক ওইবা ফংজরবদি নুংঙাইখ্রনিদকো হায়না মতৈ মনাওগী মপূক্লিংদা চপ য়ুংনা খনখি। মানসিংলাগী মপাগা ভাহৈগা মাঙ্গোন্দা ফমদুনা ৱারী শামিন্নরে, য়ু থকমিন্নরে নুপী মখৈনা ইমুংদা চাক এঞ্জাং হাওনবা থোং থাক্তুনা লৈখ্রে। মখোয় অনীনা মাঙ্গোন্দা ৱারী শারিবদু মানসিংলাগী মমানা থোঙজিন মরুমদা লোন্না তারম্বদগী মপান্দা থোরক্তুনা মখূৎনা য়ু হৈরগা পীথকই। সিতাফুং নিংথৌগী মচানুপানি খঙলবদা মতৈ মনাও অনীদো মথৱায় নুংঙাইবদা হায়নীংঙাই লৈত্রে, য়ু হৈবা লেপ্পা লৈখিদ্রে। ঙহাক ৱারী শারগা চাক লোইরদুনা ইমুংদা চঙলগা ফল্লে, চাক চারসি হায়রক্লবদা ভাহৈনা মানসিংলা য়েংলগা, "ইবেম্মা ইতোমতা চানীংদে, ইবান্নি চামিন্নসি" কৌশিল্লক্লে। মানসিংলানা ঐদি ইকায়জৈ ঙমজরোই হায়রক্লবদা মমানা ইকায়রুনু চামিন্নৌ হায়রক্লে। মমাগী ৱাদু তাবদা ভাহৈনা হৌগৎলগা মানসিংলাগী মখূৎ পায়দুনা চিংশিল্লগা মখোয় অনী চাক চামিন্নরে। চাক চাবা লোইরগা মানসিংলানা ভাহৈগী তূম্নবা ফমুং থারগা মসিদা পোত্থাবীরো হায়রে। ভাহৈনা, "ইবেম্মা মানসিংলা! ইতোমতা তূম্নিংদে, ইবানি তূমিন্নসি" হায়রক্লবদা মানসিংলানা ঙমজরোই য়াদ্রবদা মমানা ঙসি নোংমতং তূমিন্নববু কৈদৌবগে তূমিন্নৌ হায়রক্লে। মমাগী ৱাদু তাবদা ভাহৈনা মখূৎদাং পায়রগা চিংবদা মশানা য়ানীংবনিনা মানসিংলাদু হরাও হরাও চঙলক্তুনা মখোয় অনী তূমিন্নরে। অসুম্না নোংমা নীনি লৈমিন্নরগা ভাহৈ ময়ূমদা হনখি।

থা অনীগী মতুংদা নোংমা ভাহৈনা লাক্লগা মকু মনেমদা মাগী নুপী মানসিংলাবু ময়ূমদা পুজরগে হায়ররে। মাগী ৱাদু তারগা মকুবোক্লা ইচানা হায়বসি চুমই হৌনবীনি, নুপীনা মৱাগী ময়ূমদা লৈগদবনি। অদুবু নঙবু নুংশিমনবদগী হান্না মংকৎ ঙাঙনহৌদ্রে। নহাক নরাইবক ফবা, তৌবা ঙম্বা নুপানি। নখোয়গী খুলদগী ঐগী খুল ফাওবদা হৌরিবা উজাও খুদিংদা ষণ অমা ইরোই অমা খন্না-খন্নন পুল্লু মদুনা ইচানুপীগী মংকৎ ওইনসি। মকুবোক্কী ৱাদু তাবদা ভাহৈ মপূক্লিংদা করিমত্তা চিংনখিদে। মহাক্লা মখুলদা হল্লক্লগা মমা মপাদা পাউদু তম্লে। মমা মপানা শাগৈগী মচিল মনাও খুঞ্জাশিংবু কৌরগা মাগী অরৈবা ষণ, ইরোই পূম্নমক পুরগা পুল্লুচো হায়ররে। নিংথৌগী য়াথং ফংবগা শাগৈ নাতৈগী মচিল মনাও খুঞ্জাগী মীয়াম্না মখুলদগী হৌনা উজাও খুদিংদা ষণ অমা ইরোই অমা খন্না খন্নন পুন্দুনা লাকপনা জিংটাই খুল ফাওবা পুনবদা ষণ, ইরোই লেম্লে, পূনবা য়াবা উজাও লৈতদুনা থোঙ্গালদা পৈদুনা থম্লে। মদু উবদা মানসিংলাগী মমা মপা মথৱায় নুংঙাইরে, খুলগী মীয়ামসু হরাওরে। খুল অনীগী অহল-লমন, নহা, পাখং-লৈশাবী পূম্নমক নুমিৎ নীনি চূপ্পা চামিন থকমিন্নদুনা নুংঙাইনরে, নুংশিনরে, হরাও নুংঙাই ঈশৈ শকমিন্নরে। হুমনি শুবা নুমিত্তা মানসিংলাবু ফজবা মফি মরোল শেৎপীরগা পাখং লৈশাবী ময়াম্না হরাও ঈশৈ শক্তুনা মপুরোইবগী ময়ূমদা থিননবা খোঙশাল্লক্লে। মতম অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা লাক্তুনা মানসিংলাবু পুদুনা চৎখ্রে। মদু উবদা মীয়াম পূম্নমক ঙক্তুনা য়েংদুনা লৈনরে। অঙকপা থৌদোক অসি উবদা ভাহৈনা মানসিংলাগী মতুংদা কৌর কৌরদুনা তান্নরক্লে। চাউরবা পুখ্রি অমগী ঈয়াই য়ৌরকপদা মানসিংলানা মাগী মপুরোইবা ভাহৈবু থুনা লাউ হায়না মখূৎ খৎতুনা কৌরক্লে। ভাহৈনসু মানসিংলাগী মনাক তান্না চেনশিল্লকপা মতমদদি পুখ্রিগী ঈশিং ঈয়াইদা তাদুনা লুপখিবনা হানখ্রে, ভাহৈ কংফান্দা কপ্পুনা লৈহৌরে। নুমিৎ অসিদগী হৌনা মানসিংলা লাইরেম্বী ওইখ্রে। মহাক্লা লৈশারিঙৈদা খুনজাগী লৈশাবীশিংদা তম্বীরম্বা ফিশা লোনশা, মহাক্লা পুথোক্লম্বা লৈরোং ফিনা হৎতুনা শাবা ময়েক মখল মথেন, ফজরবা মচুশিং অদুনা মানসিংলাবু উদ্রবসু মাবু নীংশিংনখি। মখল মথেল শুরবা মচু কয়ানা লৈতেংবা ময়েক থোকপা মানা শারম্বা ফি ঙসি ফাওবা খুলদুদা মাঙদনা লৈরি হায়নৈ।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী' দগী লৌখৎচবা)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।